# কম্বাইন্দ ফোর্সকা কাপ্পবদা লালহৌবা ১ শিরে ইমুং মনুংনদি ময়ুমদগী ফারগা পুখিবনি হায়রি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, জনুৱারী ১৩ঃ এসেমব্লি ইলেক্সন মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা ঙরাং তাওবুংখোক্তা কম্বাইন্দ ফোর্সনা য়ুজি অনি হাৎখ্রবা মতুং ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ৪:১০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট ডিষ্ট্রিক্টকী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লম্বাল অমসুং হৈবোংপোকপী অনি ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীগী মফম অমদা লালহৌবা অমনি হায়বসু কাপ্পবদা শিরে। অদুম ওইনমক ইমুং মনুংনদি শিরিবা মীওই অদু ময়ুমদগী ফারগা পুখিবনি হায়রি।

ডিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী কম্মান্দো অমসুং ৩০-অসাম রাইফলসকী অপুনবা তিম অমগা নোংমৈ কাপ্পবনি হায়বা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা থোঙাম বুংবুং (৩১) অপোকপা যাত্রা কৌই। মহাক ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকায়দগীনি।

অশিবা হকচাং অদু ইমুং-মনুংনদি মীচমনি হায়না লৌদনা লৈরি। অদুম ওইনমক পুলিসনদি লৈখিদ্রবা বুংবুংগী মশাদগী ৯-এম এমগী পিস্তোল অমা, মসিগী মরূ মঙা য়াওবা মেগজিন অমা অমসুং চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেড অমা ফংবা ঙন্নে হায়রি। মমাংদা বুংবুং ৪শুবা-বট্টালিয়ন আই আর বিগী রাইফলমেন ওইরিঙৈ মতমদা পুলিসনা কে সি পিগা মরী লৈনৈ হায়না ফাবদগী জেলদা লৈরুরবনি। হৌজিক্লা সস্পেন্সনদা লৈবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী আর কে সনাতোম্বীনা ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাই কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবদি কম্বাইন্দ ফোর্সনা কাপ্পুনা হাৎখিবা মহাক্কী মপুরোইবা বুংবুং ঙরাং অহিং নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা কম্মান্দোগী দ্রেস শেৎপা নোংমৈ অতেনবা পায়বা মীওই ৩ লাক্লগা শগোলবন্দ মবুধৌ মন্ত্রি লৈকাইদা ভারা লৌরগা লৈবা য়ুম অমদগী ফারগা পুখিবনি। কম্মান্দোনি হায়রিবশিং অদুনা ইমুংদা চংলক্ত্রিঙৈদা বুংবুং কৌদুনা থোং থিল্লকখি। মদুদা মহাক্লা কনা কনানো হায়না হংবা মতমদা করিমত্তা খুন্নকখিদে। অদুম ওইনমক বুংবুং কৌরক্লিবশিং অদু কনানো হায়না থোং হোংদোক্তুনা য়েংলুবা মতমদা মখোয় অহুম চংলক্লগা মপুরোইববা মহাক্কী মমাংমক্তদা ফারগা পুখিবনি। করিগীদমক্তা মপুরোইববু ফাদুনা পুরিবনো হংবদসু করিমত্তা খুন্নমদে।

মপুরোইবা ফাদুনা পুখ্রবা মতুং ৪০৭গী মখোল মানবা গাড়ী অমগী মখোল তাখি। মপুরোইবা বুংবুং কাপ্পবদা শিবা নত্তে। ফারগা পুখিবনি। মীচেন, মীরোৎসু নত্তে। হৌজিক হৌজিক থৌনাওজম লৈকাইদা কার চাম্ফম অমা হাংদুনা লৈবনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

লৈখিদ্রবা বুংবুংগী ময়াম্বা নোবোনা ফোঙদোরকখিবদা মহাক্কী মনাওনুপা বুংবুং হান্না মরী শুবা আই আর বি দা লৈরম্বনি। হৌখিবা চহিদা কেসিপিগা শম্নে হায়বগী মরালদা থবক্তী সস্পেন্দ তৌদুনা জেলদা লৈরুরগা থোক্লকপা চহি অমরোমদমক ঙাইহরি। জেলদগী থোরক্লগা মতুং ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইদা কার চাম্ফম হাংদুনা ইমুংগী লৈতা লাইরা পুরিবা মীশক্লি। নোংয়াই মতুং পুং ২ রোম তাবদা কম্বান্দোনি চিংনবশিংনা ফাদুনা পুখিবদগী কদাইদা লৈবগে হায়না থিংরিঙৈদা অয়ুক অঙনবদা হৈবোংপোকপীদা লৈবা মরী মতা অমনা বুংবুং মানবা অমা শিদুনা লৈরে হায়না পাউ পীরকপদগী চৎলগা য়েংলুবদা শিদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি। মহাক কাপ্পবদা শিবা নত্তে। মীশি অসি সরকারগী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থিজিনবীদুনা বুংবুং হাৎপদা চেন্নবশিং আইনগী থোংদা দন্দি পীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা বুংবুং মীহাৎ য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ক্বাকৈথেল থৌনাওজম লৈকাইগী মীয়াম্না টিদিম লম্বী তঙ্খাই থিংদুনা ধরনা চখখি। লোয়ননা মখা তাবা খোঙজংগীদমক জে এ সি অমসু শেমখি। ধরনা অদুদা ঈ মশেল হাৎনবা তোকউ, খুৎশেম খুৎ থোরুবা লেপ্পু হায়না থাবা প্লে কার্দশিং থেৎখি।